# ইমা লৈবাক্কীদমক পূন্সি কথোকপসি চংনা স্বর্গ কাবনি




অচুম্বতনা জয় ওইরকখিনি

কর্নেল হাওরোংবম সরত (রিটাইয়র্দ)

শোত্থরবশিংদা কত্থোকচবা


ঙসিদগী থা তরেৎমুক্কী মমাঙদা থোকখিবা ঈহৌ হায়বদি মে ৩, ২০২৩দগী হৌখিবদু য়াম্না নীংথিনা প্লান তৌখিবা থৌদোক্নি। ঈহৌসিগা মরী লৈনবা মীওই পূম্নমক এপ্রিল থাগী অরোইবা হাপ্তাদা ময়ূম-ময়ূমদা চৎনখি। সর্ভেন্ট হায়বদি গভর্ণমেন্টকী এমপ্লোয়ীশিংনা লিভ এপ্লিকেসন পীশিন্নখি। হৌখিবা পূম্নমকসি খঙদে অমসুং উদে হায়বদি ফম্নাইবশিংগী খ্বাইদগী অরানবা পাউদমনি। মে ৩, ২০২৩গী মমাঙদা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টরগা ঈহৌসি শৌগৎলিবা হংলাইশিংগা ন্যু দেল্লীদা য়াম্না কূপ্না ৱারমশিং খন্নখি। ৱাফমসি মীদিয়া চেনেলশিংদসু হায়খ্রবনি। ওইরক্দৌবা থৌদোকসি খঙন-খঙনা ইরমদম অসিগী ফম্নাইবশিংনা ঐখোয় মীচম মীয়ামদা চেকশিন ৱাহে অমত্তসু থন্বীখিদে। মীচম মীয়াম্বু করিসু ওইনা খনবীখিদবা ফম্নাইবশিংনি। মসি তৌথোরকপা থবকশিংনা উৎখ্রবনি। অমুক ইদ্রবসু য়ারে খঞ্জে।

ঈরাংসি হেক হৌবগা মণিপুর (কংলৈপাক) দা ইন্দিয়াগী লান্মী লিশীং ৬০/৭০ মুক, IL-76 (Gajraj) Aeroplane না ইরমদমদা পুশিল্লখিবদুদা থম্মোয়দা চিংনবা অদুম ফাওখি। ঈরাংসিবু শিন-লাংলিবা মীওইশিংবু লোইশিনবদা মণিপুরদা লৈরিবা ক্রুপশিংনা মশীং হেল্লবনি। অসুক য়াম্বা লান্মীগী দরকার ওইদে খঞ্জখি। ৱাফমসি মিলিটরি পোইন্ট ওফ ভিয়ুদা য়ূম্ফম ওইবনি। ঐখোয়গী ইধৌবু ঙাকথোক্লবা থারকখিবা সিফাইশিংনি। মালেমসিদা ইধৌগী লম্বা তৌগদৌবা ফূরুপ অমত্তা লৈতে। ঐখোয়দি অহল-লমনশিংবু কাউথোকখ্রবা ফূরুপ ওইরে।

অদুক কুইনা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টরনা ৱাহে অমত্তা হায়খিদবগী মরম য়াম্না চাউনা মনুংদা লৈরল্লি। ঐখোয়বু করিসু ওইনা খন্দবগী মহয় মতম্না অদুম শোয়দনা উৎলকখিগনি। ঙাইসি মতমদু। মণিপুর মীয়ামগীদি ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর অসি করিসু ওইরমদ্রে। মীরেম অমগা চপ মান্নখ্রে। ওদিষাদা ত্রেন এক্সিদেন্ট অমদা শিখিবা মীওইশিংগীদি এক্স গ্রেসিয়া কয়া খুদক্তা লাউথোকখি অমসুং পীখি। অদুগা মণিপুর মীয়ামগীদি রোবোটকী প্রাইম মিনিষ্টর অমগা চপ মান্নখি। মসিগী মহয়সু মতম্না শোয়দনা পুরকখিগনি। ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর, হোম মিনিষ্টর, দিফেন্স মিনিষ্টরনচিংবশিং মচিন্দনা রাম-রাম শোল্লি অদুগা থম্মোয়না তমথীখ্রবা রাবনগী থম্মোয় অমসুং ঈ চেনবনি। মসিগী ৱাফমসি থবক্লা উৎখ্রবনি। ঐখোয়গী ফূরুপ অসিনা ইন্দিয়াদা নমদুনা পূল্লুবসি মাঙজবগী মাঙজবা ঙাক্তনি। মখোয়না শিল্লিবা খুজিল থৌরাং অসি ঐখোয়গী ফূরুপ অসি মরূ ফংনা ফূকতৎলগা মাঙহনখিবা অদুনি। কুমজা ১৯৫০গী নবেম্বর ১৮দা হিমট সিংহ চীফ কম্মিস্নরনা ইন্নর লাইন পর্মিট মূত্থৎখিবা অদুদগী হৌখ্রবনি। মতম অদুগী ভাবোক ওইখিবা কোংগ্রেস পার্টিগী মীওইশিংনা খূবাক খুখিবদু ঙসিদি করি থোক্লে? তুংগী মীরোলগীদমক করিসু খন্দ্রবা ফম্নাইবশিংনি।

মীতৈ ঐখোয়দি নোংপোকলোমদগী লাকখিবা ইধৌশিংনি। হৌজিকসু ঐখোয়গী ইধৌনা মালেমগী মকোকনি। ঐখোয়গী অশেংবা ঈদি নোংপোকলোমগীনি। নোংচুপকী অর্য়ান ঈ নত্তে। মীচম মীয়াম্বু লান্না লমজিংখিবা মখোয়গী মরালদগী ঙসি ঐখোয়না অৱাবা কয়া মায়োক্লরি। হৌরকফম কাউখ্রবা ঐখোয়গী মীরোলনি। য়াম্না মুন্না ৱাখল তৌবীয়ু। হৌরকফম নীংশিংবীয়ু।

ইন্দিয়ানা চহী ১০০গী মতুংদসু চাইনাগী লেভেল ওফ সিভিলাইজেসনদা য়ৌবা ঙমখিরোই। কুমজা ১৯৬২দা চাইনানা ইন্দিয়াবু মীৎকপ থোকহনখি। মতম অদুদা ইন্দিয়ন আর্মি অসি পোইন্ট থ্রী নোট থ্রী নোংমৈ পায়রি। উনগী মফমদা ফীগী খোঙউপ তোংলি। ৱাজাউ ঙাঙবা ফম্নাইবনা ইন্দিয়া অসি চাওখৎলে খঞ্জবগী ৱানি। ঙসি ফাওবদা ইন্দিয়ানা ওলিম্পিক গেমস পাঙথোকপা ঙমদ্রি। কুমজা ১৯৬৪দা জপাননা ওলিম্পিক গেমস পাঙথোকপা ঙমখ্রে। সাউথ কোরিয়া অমসুং চাইনাসু ওলিম্পিক গেমস পাঙথোকখ্রে। চাইনা, জপান, সাউথ কোরিয়া, সিঙ্গাপোরনচিংবদগী তমজনীংঙাই ওইবা থবকশিং য়াম্না লৈরি। ইন্দিয়নশিংদগী করি তমজনীংঙাই লৈরিবগে? মীনম্বা ঙাঙবসি ইন্দিয়াগী ফম্নাইবশিংগী লেঙদ্রবা লীচৎনি।

ইন্দিয়নশিংনা কল্লক্লিবসি জপানিজশিংনা ঐখোয়গী ইরমদম ইমা লৈবাক কংলৈপাকপু "A Little Paradise on Earth" হায়রিবা মফম অসিনি। মীতৈ ঐখোয়সি খুনেক নেল্লগা তুম্নবা লোইশিনখিবদুনি মখোয়গী লাইনীংদি। ইমা লৈবাক কংলৈপাক্তা মখোয়গী খোঙ্গুল তাহল্লোইদবনি। ইন্দিয়াগী অতোপ্পা মফম অমত্তদা ঐখোয়দা পাঙথোক্লিবা থৌওংসি পাঙথোকখিদ্রি। মশাগী মতিং লৈবা ভিএটনামিজনা আমরিকাবু মায়থীবা পীখি।

হন্দক্কী ঈহৌ অসি মরৈবাকপু নুংশিজবা, ইমা লৈবাক্কীদমক পূন্সি কৎথোকচরগে চোংথোক্লকপা ইচাশিংনা ঙমখৈসি ফৈগাক ফৈনা ঙাকখিবনি। ইচাশিংসি ইমাগী অশেংবা ঈনি। মৈরা পায়বী নুপীশিংনা খাম্বা ঙমদ্রবা ঈশিং ঈচাওগুম ইচাশিংগী মনাক্তা থোকহনখি। অদুনা মৈরা পায়বী নুপীশিংনা ঈশিংনি। ইচাশিংনা ফাবা ঙমদ্রবা ঙাগুম্বনি। ঐখোয় পূম্নমক্না ইচাশিংবু ঙাকপী-শেনবীদবা য়াদবনি।

ঐখোয়গী মমল লৈখ্রবা ইচাশিংদা অথিংবা কয়া থল্লি। অদুগা অতোপ্পা কাঙলূপ অমত্তদা অসিগুম্বা অথিংবসি থমদ্রি। অথিংবা অসি শোয়দনা থল্লক্নি হায়বসি থা ৬কী মমাঙদা খনখ্রবনি। খনখিবা ৱাখল য়াম্না চুম্লক্লি। অদুবু মীওইবগী পুৱারীদা অরানবা, মীনম্বনা, পুকচেল শেংদবনা, লমচৎ-শাজৎ লুদবনা মপূন্সিদা মহয় য়ানখিবা মপোক কনাসু ওইখিদে। ৱাফম অসি খন্দবা নৎত্রগা নীংশিংদবা মীদি শিনা-শিনা হিংলিবা মীগুম্বনি। শ্রীভগবান রামনা নিংথৌ খুভম থাদোক্লগা চহী ১৪ বোনদা চৎখিবগী ৱারীদি ইন্দিয়নশিংনা কাউখ্রে।

ঙসি খুন্নাইসিদা লায়রবা মীয়াম্না য়াম্না ৱানা পূন্সি লেল্লিবগী মহয় শোয়দনা ফংলকখিগনি। কুমজা ২০২৩ অসিদা পুৱারীদগী চৎনরক্লবা নিঙোল চাক্কৌবা নুমিৎতা নুপীশিংনা লম্বীশিংগী মতাইদা সিট-ইন-প্রোটেষ্ট ফমখ্রে। নবেম্বর ১৫, ২০২৩, য়ূমশকৈশা নিঙোল চাক-কৌদবা নুমিৎসি ফাওবা মীরেম মীহুৎশিংনা থোকহনখিবনি। শ্রীভগবান রাম কংলৈপাক্তা য়ৌরকখিদ্রবসু মহাক্কী থম্মোয়বু-থবকপু মালেমগীমীশিংনা ফিদম্মে। অদুবু দিৱালিগী অশেংবা-অচুম্বা ৱারী খঙদনা লৈরকখিবা মফম অসিদসু নবেম্বর ১৪, ২০২৩, লৈবাকপোকপা নুমিৎ অসিসু অমম্বা নুমিৎ ওইখ্রে। হেন্না ফত্তবগী খুদমশিং মথং-মথং লাক্লি অমসুং উরি। হেন্নদুম মতুংদসু লাকখিগনি। মীহাৎপা মীবু, মপূন্সি অদু মীনল্লগা চহী কয়া শাংনা হিংবা ঙমগদগে? মপুগী খুদোল শোয়দনা ফংলকখিগনি। মসি মীওইবগী মপুগী অমসুং মতম্না পুরক্দৌবা ৱায়েলনি। ঐ মঙাইরে হায়না হিংখিবা ময়ামদুনি ঙসি মীয়াম্না তুকৎচরিবসি। ফত্তবা লিচৎ শাজৎ চুমদবদগী অফবা থবক অমত্তা উবা ফংলোই।

হন্দক্কী তাঙ্কক অসিদা কংলৈপাক্তা হিংলিবা ইরৈচা পূম্নমক পুল্লপ অমুক্তা পুনশিন্নসি। ঐখোয় পুল্লপ পুল্লবদা মালেমগী শক্তি অমত্তনা খূৎ থাবা ঙম্লোই। ঐখোয়গী ইহান হানবা ইথৌদি পুল্লপ পুনশিনবনি। পুল্লপকী মকোক ওইদবা য়াদে খনবীগনু। অফবা থবক্তা পাঙথোকপীয়ু। মীয়াম্না ঈরাৎ পুজা তৌগনি। হিজম ইরাবত চীফ মিনিষ্টর ওইরমদে। মিনিষ্টরসু ওইরমদে। মীয়াম্না থম্মোয়দদি নীংশিংলি। ঙসি ফাওবদা চীফ মিনিষ্টরশিং অমসুং মিনিষ্টরশিং ওইরমখিবা কনাবু কনানা নীংশিংলিবগে? ফত্তবা মীশিংনা পূন্সি লোইরমদাইদা য়াম্না ৱানা-ৱানা পূন্সি লেনখিবা অমসুং লেনবসি তাবদা অমসুং উবদা নুংঙাইবা মপোক নত্তে।

ঐখোয়গী ইধৌদা খুরুম্লগা হায়জরবদি কবো ভেল্লি ঐখোয়দা অমুক পীরক্নি। ইন্দিয়াগী শক্তিনা কবো ভেল্লি লৌশিনবা ঙম্লোই। ইন্দিয়াগী কলচরনি, ৱারেম-থৌরেমগী মীটিংশিংদা মীনম্বা ঙাঙবগী হৈনবী মীয়ামদা লৈরিবসি। ঐখোয় পূম্নমক ইপা-ইপুগী চৎন-কাঙলোন নীংশিংসি। নৌনা অমুক ঐখোয় পূম্নমক্না হৌদোকসি। ইন্দিয়ানা ঐখোয়দগী তমগদৌবা পাড়া য়াম্না লৈরি। মখোয় ঐখোয়গী ইতিক-ইগুণ খঙদ্রে। খাগেম্বা নিংথৌগী ৱারী মখোয়না নীংশিংগদৌবনি। মীয়ামদা হন্না-হন্না খুরুম্লগা নীংশিংজরি 'কংলৈপাক কনসি, ঐখোয় অমত্তা ওইসি, অমনা অমগী মতেং পাংসি, তুংগী মীরোলগীদমক অঙম্বা ইথৌশিং পাঙথোক্লমসি। ইশা-ইশাগী ওইজবা থাদোকসি। শিবদা করিসু পুদবনি।"

নোংদা লাইরেল পাখংবা (৩৩ এ দি) গী মতমদগী শেল্লকখিবা ফজখ্রবা চৎন-কাঙলোন পূম্নমক হৌজিক্কী মতমগী মীৎশাং পল্লিবা মীহুৎশিংনা শর্বনাস হেক শারগা খুন্নাইসি লোইশিলহনবদা মতেং পাংলি। মরিংজেল-মথৌনা লৈবা মীহুৎ অমত্তা য়াওদে। থৌদোকসিদা শিখিবা/মাঙখিবা পুল্লগা নহা ইচাশিং ২০০ মুক্লি। মপূন্সি লোইখ্রবশিংসি করি মরমগীনো? কনানা থোকহল্লি। গভর্ণমেন্ট এমপ্লোয়ীনা শিখিবা নৎত্রবদি এক্স-গ্রেসিয়া গ্রান্ট পীবা য়াদে হায়বা চৎন-কাঙলোন লৈবরা? লৈতে। গভর্ণমেন্ট ফন্দ লৈত্রবসু নখোয়না পৈশিনখিবা লন-থুমদগী কত্থোকপগী থম্মোয় পান্দবরা? শিবদা করিসু পুদে হায়বদু কাউরমাল্লে।

মণিপুরগী পুৱারীদা হৌজিক্কী মতমগী Cabinet Composition অসিগুম্বদি মমাঙদসু লৈখিদ্রি অমসুং মতুংদসু অমুক হন্না থোক্তবা ওইরসনু হায়না মপুদা খুরুমজরি। পূন্সিগী এক্সপরিএন্স হায়বসি নুমিৎ-থা হান্না উবা মীদগী ফংবনি। অঙাংদগীসু খরদি তম্বা য়াই। অদুবু মপূং ফাবদি খরা ৱাৎকনি। পূখ্রি মচাদা হিংলিবা ঙাখাদগী করি তমগদগে?

নিংথৌ খুমোম্বা (১২৬৩-১২৭৮) না কবোগী চীফপু মায়থীবা পীখি। অদুগা লোয়ননা অতোপ্পা চীফ ময়ামসু ফারগা পুরকখি। নিংথৌ খোমা (১৪৩২-১৪৬৭) নসু Kabos (Shans) বু খুদুম চনখি। কিয়াম্বা নিংথৌ (১৪৬৭-১৫০৮) না Khumbat কী নিংথৌবু মায়থীবা পীরগা কবো ভেল্লি অসি মণিপুরগী শরুক অমা ওইখি। কুমজা ১৯৪০গী মমাঙদগী কবো ভেল্লি অসি মণিপুরগী শরুক অমা ওইদুনা লৈরকখি। নিংথৌ মোংয়াম্বা (১৫৬২-১৫৯৭) নিংথি তুরেল লানশিল্লগা নুমিৎ ৩/৪নিগী মনুংদগী Shan Chief 100 ফাখি। খাগেম্বা নিংথৌ (১৫৯৭-১৬৫২) না চিন্দৱিন তুরেল লাম্থোক্লগা Mungyang নিংথৌবু মায়থীবা পীখি। মহাক্না চাইনা (খাসি) গী শরুক খরা খুদুম চল্লমখি হায়নৈ। অদুনা খাগেম্বা (খাগি ঙম্বা) হায়না মীয়াম্না খঙনৈ।

ফষ্ট এঙলো-বর্মিজ ৱারদা গম্ভির সিংহনা কবো ভেল্লি অসি লৌশিনখিবনি। কবো ভেল্লি অসি মণিপুরগী টেরিটরিদা লৈবনি অমসুং মতম কুইনা খুদুম চন্দুনা থল্লম্বনি। কুমজা ১৮২৬তা ত্রিটি ওফ য়ান্দাবো সাইন তৌরগা কবো ভেল্লি পীথোকখিবগী মরমসু লৈরল্লি। কবো ভেল্লিগী এরিয়া অসি 1,864.44 sq km - 150x8 miles এরিয়ানি। পাক চাউখ্রবা মফমনি। নিংথৌ খুভম মুন্নবগী কবো নিংথৌগী মতেং নীরুবগী মতাংদা শোয়দনা ওইরমগনি। মার্জিৎ নিংথৌদগী কুমজা ১৮১৩দা বর্মিজ নিংথৌনা ভেল্লি অসি নমদুনা পীহনখিবনি। অদুগা বৃটিশতগী কুমজা ১৮৩৪দা বর্মিজনা ভেল্লি অসি লৌখিবনি। অসুম্না মণিপুরগী লমসি নিংথৌ খুভম মুন্নবগী মতাংদা মচেৎ-মচেৎ পীথোক্লমখি। হৌজিকসু অদুগুম্বগী ফীভমদা অমুক লাকপা হায়বসি মীচম মীয়াম্না য়াগদরা? মতাংসিদা পঞ্জনীংবদি মণিপুরগী লমসিবু নিংথৌশিংগীরা, ফম্নাইবশিংগীরা নৎত্রগা মীচম মীয়ামগীরা অদুগা নিংথৌনা নৎত্রগা ফম্নাইবশিংনা মীয়ামগী অয়াবা য়াওদনা লমসিবু পীথোকপা য়াব্রা? ৱাহং অসিগী পাউখুম ঙসি মণিপুরগী মীয়াম্না য়াম্না কূপ্না অমসুং মমুৎ তানা খন্থবীয়ু। ঙসিগীদি অসিৱাইদা অসুম লোইশিঞ্জরগে। মথংদা অসুম মথং-মথং খন্নরসি। মীচম মীয়াম্বু ইকোক নোম্না খুরুমজরি। ●




## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৭৮

১) **"ঐখোয় নুপীগী অন্দোলন"** হায়বা ৱারীমচা অসি শক্লাইরবা অইবা অমগী লাইরিক্তগী লৌথোরকপনি। অইবা অসি কনানো অমসুং লৌথোরল্লিবা লাইরিক্কী মমিং করিনো?

২) **"পাউখুম ফংখিদ্রবা ৱাহং"** হায়রিবা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিক্নো? লাইরিক অসি মণিপুরদা কনানা হন্দোকপগে?

৩) **"থম্বালগী লৈনম"** হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসি কনানা ইবনো?

৪) **"বরাক তম্পাক্কী মরাইবক"** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিক্নো?

৫) **"কাইনগী থৈবোং"** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম নবেম্বর ৩০, শগোলশেন নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

*হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৭৭কী অচুম্বা পাউখুম থাবীরকখিবশিংদি*

১) থিয়াম রাজেন্দ্র লুৱাং, থাংমৈবন্দ থাও কমপ্লেক্স - (৫)

২) হিজম অজেম, পাৎশোই পার্ট ৪ লাই হরাওবুং মনাক - (২,৫)

৩) তোংব্রম জিবোন, লাংজিং অচৌবা মখা লৈকায় - (৫)

৫) মাইস্নাম বুধ, চীংঙামখা মাইস্নাম লৈকায় - (২,৩,৫)

***৪) অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ূম, তাওথোং অয়ুংবা ময়ায় লৈকায় - (১,২,৩,৫)***

*হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ- ৭৭কী ৱিন্নর*

***অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ূম, তাওথোং অয়ুংবা ময়ায় লৈকায়***

**লিটরেরি ক্যুইজ ৭৭কী শেলগী মনা অসি ৱিন্নর ওইরবা মীওই অসিগী বেঙ্ক একাউন্টতা ওইনা হাপচিঞ্জরগনি।**

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৭৭কী পাউখুম

১) **"ছৈরেং অনৌবা"** হায়বা লাইরিক অসি শক্লাইরবা অইবা অমগী লাইরিক্নি। অইবসি কনানো? **:- অইবা- লৈতান্থেম রাম সিংহ, অহানবা ফোঙবা : ফর্ষ্ট ওক্টোবর ১৯৫৭।**

২) **"ভর্তৃহরিশতকত্রয়ম্"** হায়না মীংথোনবা লাইরিক অসি মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে ? **:- মণিপুরীদা হন্দোকপা - ডা. এম অচৌবী শাস্ত্রী, ওরিজিনেল রাইটর - ভর্তৃহরি, ফর্ষ্ট এদিসন : ওগষ্ট ২০২২।**

৩) **"য়াইথিংকোনু"** (২০০৪) হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিক্নো? **:- অইবা - লোইতোংবম মনিহল, লাইরিক্কী মখল- নেরেটিভ পোইম, অহানবা ফোঙবা : ২০০৪।**

৪) **"য়ুরম্বীর চক্র (য়ু থকপগী মনা)"** হায়বসি ৱারীমচা অমগী মমিংনি। ৱারীমচা অসি য়াওরিবা লাইরিক অসিগী মমিং করিনো অমসুং অইবা কনাগী লাইরিক্নো? **:- লাইরিক্কী মমিং - ফিজোলসি হোংলরোইদা ইমা! অইবা - য়াইস্কুল খ্বাইরাকপম, ফর্ষ্ট পব্লিকেসন : জুলাই ২০১৫।**

৫) **"লৈমপাৎকী থারিকথা"** হায়বা লাইরিক অসি মণিপুরগী মপানগী অইবা অমগী লাইরিক্নি। অইবসি কনানো? **:- অইবা - কুঞ্জলাল য়েন্দ্রেম্বম (নোভেল) অহানবা ফোঙবা : ২০২১।**

# অরানবা ৱাখল

**- খোইস্নাম ধিরেন মীতৈ -**



ঐখোয়গী চীফ মিনিষ্টরমুক মথৌনা লৈবা সী এম অৱাং নোংপোক ইন্দিয়াদা কনা য়াওরিবগে। অৱাং নোংপোক ইন্দিয়াদা নত্তনা ভারত মহাদেস অসিদা ঐখোয়গী সী এমমুক হায়খিবা ৱা ঙাকপা, খজিক্তং হায়খিবদা লোইনা উবা ঙম্বা সী এমবু মমাঙথক্তা কনা লৈখ্রবগে। মণিপুরবু চাওখৎ লম্বীদা অনৌবা মায়ওন অমা পুবিদুনা চীংয়াগী মীতৈ খুন কয়ামা মৈনা পুমঙান-পুমঙান ঙানহনবা ঙমখিবা খ্বাইদগী মতিক চাবা মীশকসু মহাক্নি। বির টিকেন্দ্রজিৎকী নীংশিং য়ূম্বি মখোঙদা শীংজংবু ময়ানা চিক্তুনা ইমা লৈবাক্কীদমক থৱায় থাদোক্কনি হায়বা ঙমখিবা মতিং লৈবা মীওইনি। মহাক্কী মতিক মথৌনাদি মীতৈনা লৈরিমখৈ মাঙলরোই। মহাক্কী মতম অসিখক্তদনি লৈঙাক্কী থবক লৌবদা পৈশা সিকি অমত্তা চাদনা লৈবাক অসিগীদমক কত্থোক্তুনা থবক তৌরিবা। অসিগুম্বা মঙাল কয়ানা লৈতেংলবা ঐখোয়গী সী এম অসিগুম্বদি মপোক-মপোক খুদিংমক্তা থেংনগনি থাজদ্রে। মীওইবা মীয়ামগী মরক্তা থোইদোক হেন্দোকপা মীওইবনি মহাক্তি। মহাক নত্তনা মণিপুরদা চীফ মিনিষ্টর ওইবদা মতিক চাবা কনাসু লৈতে। হৌখিবা মে ৩দগী কুকিনা মীতৈ হাৎপগা লোয়ননা য়ূম মৈ থারকপদা পান্বে লৈখিদবদুদি সিক্যুরিটিগী অশোয়বা খরা লৈখিবদগীনি। ঐখোয়গী সী এমনা চপ-চানা থবক পায়খৎকে তৌরকপা মতাংদা সী এমদগী য়ুনিফাইট কম্মান্দগী থৌদাং লৌথোকখিবদগী পান্বে লৈতবনি। য়ুনিফাইট কম্মান্দগী থৌদাং অসি মঙোন্দা শিন্নগদবনি হায়দুনা মশানা হেক ইন্দিয়া লৈঙাক্তা হায়বদুসু ইচম-চম্বা ঐখোয়গুম্বা নত্তবনিনা হায়নীংদ্রে। অদুবু মঙাল কয়ানা লৈতেংলবা সী এম অমনিনা মহাক্কীদমক ঐখোয় ময়াম হৌদুনা সী এম বিরেনদা য়ুনিফাইট কম্মান্দগী ফম পুহনগদবনি হায়দুনা অমত্তা ওইনা লাম্হেংনবা মতম ওইরে। ৱাখলসি সোসলিষ্ট ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন ওফ মণিপুরনা মীয়ামদা খঙহনখ্রে। করিগুম্বা ঐখোয়গী সী এমদা য়ুনিফাইট কম্মান্দগী ফম অসি শিন্নরবদি মণিপুরদা থোক্লিবা ঈরাং অসি মীৎনা কুপ্পদা লাকশিনবগা লোয়ননা ম্যান্মারদা নোংমৈ কাপ্নরিবা অসিসু লোইশিন্দুনা ঈং-তপ্পা পৃথিবী অমা ওইবা ঙমগনি খঞ্জেদো।

ইমা মণিপুর নহাক্তি অৱাৎপা লৈতবা ইমানি। হৌজিক পাল্লিবা ঐখোয়গী লৈঙাক অসিদসু অৱাৎপা অমত্তা লৈতে। ইংলিস ফজনা লোনবা এম এল এসু ৱাত্তে। মশক খ্বাইদগী ফজবা এম এল এসু য়াওরি। অমগা অমগা চাংদম্নবদা সিনা হেল্লি, সিনা ৱাৎলি হায়বা কনামত্তনা খন্দোকপা ঙলল্লরোই। গোবিন্দাসনসু হেন্দে। বিশ্বরজিৎনসু ৱাত্তে। বসন্তনসু তাদে। সুসিলদ্রোনসু হন্থদে। রাধেশ্যামনসু শোত্থদে। দিঙ্গো হোয়সু অতৈ-অতৈ মমান্নবগা লম্বা তৌদুনা য়েংবদা মায় চোপকদবা নত্তে। ঐখোয় মীচম মীয়াম্না ঙসি ৱারিবা পূম্নমকসে ঐখোয়গী এম এল এশিংনা মশা-মশাগী ময়ূমদা হেক থোকপগুম হোৎনবীরিবনি। মীৎকী পিতনা ৱাহে ওইরবা চিনবান্না করিমত্তা ফোঙদোকফম খঙদ্রবা, লাঞ্জেন্নরিবা মীয়ামগী অৱাবসি ঐখোয়গী এম এল এ ময়ামসিনা তূম্বা চাবা খঙদবমখৈ হোৎনবীদুনা চাক পীজরি। ইমা লৈবাক অসিগীদমক ৱাজবনা হিংনীংবগী অপাম্বা লৈরক্তবা মীতৈ মপারি কয়ানা চীংদোন লোম্না কাখিবদা ঐখোয়গী লুচিংবা ওইরিবা এম এল এশিংনা অৱাবা তাহৌরিবা ইমুং মনুংশিংগী মীওইশিং উন্নদুনা অৱাবদা শরুক য়াবীরি। শেলগী মতেং পাংদুনা মীওইবগী মীনুংশিগী থৌরিনা পুনবীরি। লৈঙাক অসিদা য়াওরিবা এম এল এ ময়ামসিমুক মীওইবগী পূন্সিগী মমল খঙবা, মশাগী ওইজবা থিদবা লুচিংবশিংদি মালেমসিদা থিবা ৱারগনি। মখোয়গী থৌজালদগী নেসনল ফুন্দ সিক্যুরিটি এক্টকী মখাদা থা থাগী চেঙ খরা খরা শূফম নোমফম লৈত্রবা মীয়ামদা ফংহনবীরিবনি। তশেংনা হায়রবদা ঐখোয়গী এম এল এশিং অসি মীৎনা উবা লাই হায়বদুনি।

ইরমদম মণিপুরবু অনৌবা মঙাল অমা পীবিরিবা, তুংগী পোরম শান্না উবীদুনা অচেৎপা ফিরেপ অমগা লোয়ননা লৈঙাকপীরিবা অসিগীদমক কেন্দ্র ময়ামগী মীহুৎ পূম্নমকপু ইকোক নোম্না খুরুমজরি। তোল্ল-তারবশিংনা ৱাহে অমা হায়রকপদা অহিং হৌগৎতুনা চেনবীরকপা। অচৌবা মচা হায়বগী খেন্নবা ৱাখল লৈতবা নখোয়সি ঈশ্বরগুম্না য়ূমগী মাঙ্গোল ফক্লাংদা থেৎচগে। নখোয়গী ফোটো চাউনা চাউনা শিন্দোক্তুনা (ফ্লেক্স কাপ্তুনা) কৈথেল খুদিংদা, লম্বী খুদিংদা থেৎচগে। হৌজিক হিংলিবশিংতা নত্তনা হৌজিক পোক্ত্রিবা অঙাংশিংনা হেক পোকপগা মশক উজনবা। নহান মখৈ ঐখোয়না নখোয়দা ৱারৌরুবদো অরানবা ৱাখল ওইরল্লে। ●

# লাল্লক্লিনা ৱাখলসু মফাং-মফাংলকই

**- বি সী খুমন -**

মে ৩, ২০২৩দা খঙহৌদনা কুকিশিংনা মীতৈ/মৈতৈদা অতম্নদা নোংমৈ কাপশিন্দুনা হাৎকে-তুপকে তৌরকপা, মীতৈ/মৈতৈগী য়ুমশিং মৈ থাদোরকপা, য়ুমগী পোৎ চৈ হুদুনা পুখিবা মতমদা থৱায় হিংনবগীদমক অমম্বদা মফম খঙদনা চেন্দুনা/লোক্তুনা অমদি পুলিস আউট পোষ্টতা থৱায় হিংননবা চেনশিন্নখিবা মতমদা মফম-মফমদুগী ষ্টেট পুলিসনা কন্ত্রোল তৌবা ঙমদ্রবদা অসাম রাইফলস কৌদুনা মীতৈ/মৈতৈশিংগী থৱায় কয়া কল্লকখি হায়বসি তপ্পা-তপ্পা ময়েক সুম শেংলক্লি। চীংদা থবক শূদুনা শেল তাঞ্জবা মীতৈ শিন্মী কয়াসু অসাম রাইফলসনা থৱায় কনবীরকখিবগী ৱারী কয়াসু তপ্পা-তপ্পা তানরক্লি। তারিবশিংদু অচুম্বা ঙাক্তনি, ওইদবা, হায়শিন্নবা অমত্তা নত্তে। পান্বে লৈজদ্রবশিংবু মতেং পাংদুনা ইন্দিয়ান আর্মি ওইবগী ইথিক্স চপ চানা ঙাকখি হায়বসিসু ময়েক শেংনা অদুম্মক উখি হায়বসি কুকি খুলশিংদা য়ুমলিংদুনা লৈরমখিবা মীতৈ/মৈতৈশিংনা রিলিফ কেম্পতা লৈরবা মতুংদা মখোয়না মীদিয়াদা ফোঙদোকখিবশিং অদুনা তাক্লি।

লান মনুংনি, পূম্নমক পেন্নদবা ঙাক্তনি। খাঙবগী পনখৈ লাম্থোরক্লবদি ঙাঙনীংবা পংঙাঙদা ঙাঙনরকই হায়বদুনি। মথৌ মশক খঙনা দ্যুটি তৌরিবা এ আরবু হুন্দুনা নাকল কয়াদগী মখল-মখা কয়াগী চার্জ তৌরকখি। সোসল মীদিয়াদসু ফোটোগা লোয়ননা এ আরগী মচৎ থাগৎনরকখি। পূম্নমক অচুম্বা মক্তনি, তৌসু তৌরিবনি। করিগী? এ আর দিসিপ্লিন অমগী মখাদা লৈরিবা সেন্ত্রেল ফোর্সনি। হায়র ওথোরিটিগী ওর্দর মখোয়না হিক্তোকপা ঙমদে। হায়র ওথোরিটিনা মখোয়দা করম্বা অকনবা ইন্সত্রক্সন পীখিবগে হায়বসিসু খন্নবা য়াবগী মচাক অমনি। হান্নদগীসু এ আরসি 'ফ্রেন্দস ওফ দি হিল পিপল' হায়না খঙনদুনা লাক্লিবনি। মখোয়না চীংমীশিংগা তোৎনদুনা মথৌ তৌরক্লিবসি মতম কুইরক্লে। লৈমিন্নরবনিনা নুংশিনরকপা ওইরম্বসু য়াই। তোঙানবা মখোয়গী ওইবা পর্সনেল লাইফতি অদুক হাক্লা নৈনজররোই।

অঙনবা মতমদদি এ আর খরা ৱাইল্ড ওইরম্মী। অতৈনা নত্তে নৌনা চীংলৈবাকসিদা লাকপদা লম্মিৎ-তুমিৎ খঙলমদবা, মণিপুরী খুদিংমক চপ মান্নবগুম খন্দোকফম খঙদবা, কৈসু নত্তবদা চিংনদুনা খুদিংমক লালহৌবনি খনখিবা মতাংসু লৈরমখি। মরু ওইনা অফস্পাগী খুদোংচাবা লৌদুনা লৈকায় কয়া, খুল কয়া কোম্বিং ওপরেসনগী নমাদা ওৎখায়বগী থবক তৌরম্মী। অদুবু কুইনা লৈরকপগী লম্মীৎ-তুমিৎ খঙলকপা লোয়ননা অফস্পা তম্পাক্লমদগী লৌথোকঙৈদগী অদুগুম্বা তমথীরবা থৌদোকশিং থোকখিদ্রে হায়বা য়াই। পূম্নমক পুৱারীগী লমাইদা ইরম্লনি।

অখঙ-অহৈশিংনা হন্দক্কী লানসিদি কুকিগী অরোইবী খোঙ্গাওনি হায়নরি। চুম্বা লানবা অমদি লৈরমগনি। হন্দক্কী কুকিগী লাল্লোংসিদি মালেমগী মফম অমত্তদা থোক্লমখিরোই। মখোয়না হোমলেন্দ তাঞ্জবা, সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেসন দিমান্দ তৌবদুদি ইন্দিয়া লৈঙাক্তা তৌজবনি। য়েলহৌমী মীতৈ/মৈতৈগা মরী শুক্লে লৈনদবনি। কমদৌনা অতম্নদা মীতৈ/মৈতৈদা হাৎপা-তুপ্পা, য়ূম মৈ থাবা, মীতৈনা লৈরম্বা য়ূম্ফমশিং তেমখাইদুনা মীতৈ/মৈতৈ লৈরম্মী হায়বগী খোঙ্গুল ফাওবা মূত্থৎকনি খল্লিবসি ঙসি ফাওবা মীতৈ/মৈতৈশিংনা ৱাখল লম্মুক্লরি। সিদসু নত্তে মীতৈ/মৈতৈনা লুনা খঞ্জবা লাইগী খুভম লৈরিবা থাংজিং চীং, কৌব্রু চীংনচিংবা মখোয়না খুদুম চল্লবনি মতাগুম শকফম ওম্থোক্তুনা মখোয়গী ওইবা থবক থৌরম কয়া তৌরক্লিবসি তুংদা অফবা ওইগদবা মান্দে। খঙদে, মীতৈ/মৈতৈগী সেন্টিমেন্ট শোক্লা মখল-মখা কয়াগী লাল্লোং চত্থরিবসি মীতৈ/মৈতৈসিবু করিনি খল্লিবজাৎনো? কৈদৌনুংদসু খূৎ হল্লকপা ঙম্লোই খনবজাৎলা নৎত্রগনা সিভিল ৱার থোক্লবা শীল্লিবজাৎলা?

কুকিদি লায়রি মীতৈনা অচুম্বগীদমক, মমা লৈবাক্কীদমক মালেমগী মতিক-ময়াই লৈরবা ফোর্স খুদিংমক লম্বা পাবদা মায় লৈদুনা চেনগদবা লৈতে। তুংগী পোরম উদুনা, অদুক কদায়নো হায়না খাঙবগী ৱাফমনি। খাঙবগী পনখৈ হেন্দোরক্লবদি কুকি ফূরুপশিং মণিপুরগী লৈমায়দগী খোঙ্গুল মূৎহনখিবসু ঙমগনি হায়বসি কুকিশিংনা তঙাইমক ফদনা খঙগদবনি। নুপী-অঙাং য়াওনা ইচম-চমজবা মীচম খরা হাৎলগা অকনবা শক্লিবদুদি মীতৈ/মৈতৈশিংনা অপঙনি হায়দনীংঙাই লৈতে। অপঙবা মীশক অমনা অপঙবা ময়াম মরক্তা নিংথৌ ওইবসু ঙম্লোই। অপঙ খুঞ্জাও তাদুনা তোক্নি। লাইরিক হৈরগা লাইশু য়াওদ্রবদি লুচিংবা ওইবা খক ঙম্লোই।

অদুঙৈ গান্ধীজিনা নাগাশিংগা ফন্মিন্নদুনা ৱারী শানখিবদা নাগাগী ওইবা ৱাফম মুন্না তারবা মতুং, মতম মাঙহন্দবা গান্ধীজিনা খুমখিবা পাউখুম -'নখোয়না ইন্দিয়াদগী তোখাইনা তাগে হায়বনি, ঐনা অপূনবা ইন্দিয়া অমগীদমক লাম্হেংনরিবনি, ৱারী শানবা নুংঙাইররোই' হায়দুনা মীফম তেনশিনখিবা লৈখি। ঙসিগী ইন্দিয়া লৈঙাক লুচিংবশিংনা 'দিলে টেক্টিস' তমক শীজিন্নরি। দিলে টেক্টিসতনি এন এস সী এন (আই-এম) ঙাওদুনা চেল্লিবসি। কুকিশিংসু লাংদুদা থুখ্রে হায়বসি খঙজদ্রমাল্লে 'হোমলেন্দ' নৎত্রগা 'তোখাইবা এদমিনিষ্ট্রেসন' গী মোন্দ্রংদা অচুম-অরান খঙদনা ঙাওরি। মসিদা মীতৈ/মৈতৈনা করি ৱাফম্মু হায়খ্রবগে?

মরম অমখক্তি লৈ - সী এমনা 'ৱার ওন দ্রগস' লাউথোকপনা মরম ওইদুনা দ্রগ লল্লোনবা কুকি কাঙবু কোক শাখি। মরক্তুদা ম্যান্মারদগী লোন্না হাইজিল্লকপা মীওইশিং তকথোক্কনি হায়দুনা থবক চত্থরকপদা কুকিশিং মৈ হৌনা সী এমবু শাউখি। সী এম মীতৈনি অদুনা মরম ওইরগা মীতৈ/মৈতৈ পূম্নমকপু য়েক্লবা ওইনা লৌখিবা ওইরমগনি। লোয়ননা মতম শাংনা তিন্নরক্লবা এ আরনা মীচং চংবীগনি হায়বগী থাজবা থমদুনা লান লাউথোকখিবনি। য়াম্না নোক্লিংলিবদি - হায়র ওথোরিটিগী য়াথং অমদা মমায় লৈখ্রগদবা এ আরদা কুকিনা থাজবা থমদুনা মখোঙ লেক্তুনা লৈরিবসিনি। মণিপুরগী মীয়াম ইন্দিয়াননি। ইন্দিয়াগী সিটিজেন অমত্তা মপান লৈবাক্তগী লোন্না চঙলকপা মীওইশিংনা লান্দাদুনা হাৎপা-তুপ্পা তৌরকপদা ইন্দিয়াগী লুচিংবশিংনা তূমিন্না খক লৈরোই। ●